রাজর্ষী ভগ্যচন্দ্রনা মণিপুরী খুন্নাইগীদমক থম্বীরম্বা

খুদোলশিং পুন্না য়োকখৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ ঃ ও ইবোবী

থৌদাং পাঊমীদগী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ জাতি, কাংলুপ, ফুরুপ অমসুং রাজনিতিগী ওইবা খেন্নবা ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা মণিপুরগী খুদিংমক্ক রাজর্ষী ভগ্যচন্দ্রনা মণিপুরী খুন্নাইগীদমক্তা থম্বীরম্বা খুদোলশিং ঙসিগী অমসুং তুংগী মীরোলগীদমক্তা পুন্না য়োকখৎমিন্নবগী তঙাইফদ্দবা লৈ হায়না এক্স সি এম ও ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাংদগী হৌদুনা রাজর্ষী ভগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরনা শিন্দুনা য়ুপিগী মথুরা দিষ্ট্রিক্টকী রাধাকুন্দা লৈবা মিরা মনোরঞ্জন ধর্ম্মসলাদা পাঙথোকখিবা রাজর্ষী ভগ্যচন্দ্র লৈখিদবা চহী ২২০ শুরকপগী থৌরম অদুদা এক্স সি এম ও ইবোবীনা মখা তানা হায়খিবদা, মফম অদুদা মণিপুরগী নিংথৌ রাজর্ষী ভগ্যচন্দ্রনা মন্দির য়াওনা মণিপুরগী ওইবা মফম কয়া কন্দুনা থম্বীরম্মী। মসিদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদসু অসিগুম্বা মফম কয়া থম্বীরম্মী। গর্ভর্নমেন্ট হায়বসিদি কন্তিন্যুস প্রোসেসতা লৈবনা অসিগুম্বা মফম কয়া অসি মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগী তুংকোইনা মণিপুরগী ওইনা লৈহৌনবা পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং পায়খৎহন্নিংই হায়খি।

থৌরম অদুদা এম পি ডাঃ টি মৈন্য অমসুং নম্বোল কেন্দ্রগী এমএলএ এন লোকেনসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা নিংথৌ ভগ্যচন্দ্রনা লৈঙাকলোন য়াওনা মণিপুর খুন্নাইগীদমক্তা তৌরম্বা কন্ত্রিব্যুসনশিং মশক খঙনা তুংগী মণিপুর খুন্নাইগীদমক্তা মশক থোক্না থম্নমক্কী তঙাইফদ্দবা লৈ হায়খি।

কম্মিটি শেমখ্রে

পোলিসি প্রোগ্রাম য়াৎতুনা অৱাবা নংলবশিং কোকহন্নবা হোৎনগদৌরি। দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দি সি চেয়ারমেন অদুগা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচরেল ওফিসার য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসার ৬ না মেম্বর ওইরি।

ফাজিনখিবশিং থাদোক্তুনা এম য়ুদা...

ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্কবা হোৎনবগী মহুৎতা খোঙজংলোইশিংনা হেন্না অকনবা খোঙজং চংশিন্নবা ইনভাইট তৌবগী মওংদা চত্থরিবা সরকারগী থৌওং খুদক্তা লেপকদবনি। প্রোঃ য়ুগিন্দ্রোনা ঈহৌ চংশিল্লিবা মহৈরোইশিংবু টেরোরিষ্টনি হায়বসি হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কন্দেম তৌই। ঙসি এম য়ুগী এ ব্লোক্তা চংশিনখিবা খোঙজংগা মরী লৈননা মহৈরোই ১৩ ফাজিনখিবা অদু কনিদসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি। করিগুম্বা থাদোক্তবা থোক্লবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিন্নবা শেম শারে।

অমরোমদনা লুপ ৫গী মাইকৈদগী দিমান্দ তৌরিবদি প্রোঃ এ পি পান্দেগী মথক্তা চত্থরিবা ইনক্কারি অসি নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা লোয়শিন্দুনা এ পি পান্দে এম য়ুগী ভি সি ওইবা তোক্লবা থবক লৌখৎকদবনি। ইনক্কারি মনুংদা এম য়ুগী প্রো ভি সি প্রোঃ য়ুগিন্দ্রো অমসুং রেজিষ্ট্রার ইন চার্জ শ্যামকেশো ফম পায়হল্লোইদবনি।

ইনক্কারি লোইরবা মতুং থা ৩গী মনুংদা এম য়ুগী ষ্টেচুটরি পোষ্টশিং হায়বদি ভি সি, রেজিষ্ট্রার, ফাইনান্স ওফিসার, কন্ট্রোল্লর অমসুং চেয়ারমেন্নচিংবশিং রিগুলর পোষ্টতা হাপ্পা, এম য়ু কেম্পসতা আর্মদ ফোর্সশিং লৈহন্দবা, প্রোঃ য়ুগেন্দ্রোনা থাংগৎখিবা এফ আই আরনা মরম ওইরগা ওজাশিং অমসুং মহৈরোই লুপশিংগী লুচিংবশিং অকিবা ফাওহনবা অমদি লৈতাহন্দবা অসিগী চপ চাবা এক্সন লৌগদবনি। দিমান্দশিং অসি সরকারনা থবক ওইনা পাঙথোক্তবদি অকনবা খোঙজং কয়া চংশিল্লগনি হায়খি।

ইন্দিয়ানা ইন্দো-মণিপুর লান অসি হৌরকখিবনিঃ প্রিপাক (প্রো)

ঙরাংগী মখাঃ

আইন্না থিংখ্রবা প্রিপাক (প্রো)গী চেয়ারমেন এল পালিবা এমনা থাদোরকপা য়াইফ পাউজেল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, ঙসি ইরমদমগী লৈঙাক চুক্তি পায়রিবা লুচিংবশিংনা দিল্লিদগী দিভলপমেন্টকী শেঞ্জাও নিরুবগী হৈনবী থাদোকসি। মসি য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি। ইরমদমগী ওইজবা মহৌশাগী লনগৈ ময়াম অসি শেমগৎসি হায়রি।

মখা তানা হায়রিবনা, কয়াম কুইনা মীপাল তাংখিসিগে। অসিগুম্বা মীপাল তাংদবগী ফিভম অসি ১৯৪৯গী মমাংদা থোকখিদ্রিবা ৱাফমনি। মীপাল তাংবগী লায়না অসি ইরমদমগী পোলিটিকেল অমসুং ইকোনোমি রাইটশিং মাংখিবনা ওইহল্লকপনি। ফুরুপ মশেল পুন্না নুংশি চান্নবা হংমিন্নরিবা অসিবু থুগায়নবা দিল্লিনা ফুরুপ ফুরুপকী য়ুম্ফম ওইবা পোলিটিকেল অমসুং ঙমখৈ খায়দোক্লবা হোৎনরক্লি। ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল ষ্টেটস অসি করম্বা থাক্তা লৈরিবগে। করম্বা ফিভমদা পুৱারীগা শমজিন্ননা লৈফম থোকপগে হায়বসি খঙবা ফগনি। মসিগী ফংফম থোকপা পোলিটিকেল অমসুং ইকোনোমিক ষ্টেটস অদু লৈরবা মতমদা ফুরুপ মশেলগী নুংশিনবা থাজনবা লৈরক্কনি হায়রি।

কংলৈপাক্কী জিও পোলিটিকেল ফিভম খঙনা এক্ট ইষ্ট, গ্লোবেলাইজেসন্না লমদম অসিদা পীরক্লিবা চৈথেংশিংবু থেংননবা শেমহৌসি। দিল্লিগী লুচিংবশিংনা হায়ফেৎ নোঙ্গরগা লাকউ হায়রকপদা হৌজিক্কী লুচিংবশিংদি হায়ফেৎ নোঙ্গবগী মহুৎতা শাংনা তিংথোকপনি, খোইরুম্বনি। অসিগুম্বা অচোপ অরেম খঙদবা লৈঙাক মপু শাজবা খরা অসিদা মীয়াম্না থাজবা থমগদবা নত্তে। মখোয়দা থাজবা থম্বা হায়বসি দিল্লিনা য়োৎশিনবদা মতেং পাংবগা মান্নগনি হায়রি।

অরোইবদা হায়রিবনা, ঙসি ফাওবা চত্থরকখিবা য়াওল ঈহৌগী মুক্কবসি ইন্দিয়া মনুংগী মুক্কবা নত্তে। মুক্করিবা অসিদি মনিং তম্লবা ইন্দিয়াগা মুক্কবা লাননি। লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈননা হৌরকখিবা লান নত্তে। পোলিটিকেল অমসুং আইদিওলোজিকেলগী লাননি। ঐখোয়না ইন্দিয়াদা খৎনবা হৌখিবা নত্তে। ঐখোয়গী ইন্দিয়ানা তৌরকখিবা লান অসি থেংনবনি হায়রি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লৌফমশিংদা ঈশিং পীবা হৌরে

থৌদাং পাঊমীদগী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ঃ নোংতাদবদগী ইকং থোক্লিবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুর সরকারনা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মনুং চন্না মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা রিভর লিফ্ট ইরিগেসন স্কিমশিং মথৌ তৌহন্দুনা ঈশিং পীবা হৌখ্রে। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু কুম্বী অমসুং সাইতোন্না মফমশিংদা ঈশিং পীরিবশিং ঙসি দিপার্টমেন্ট অসিগী চিফ ইঞ্জিনিয়ার ঐচ ব্রোজেন, মরী লৈনবা একজিক্যুটিভ ওফিসারশিং অমসুং সেক্সন ওফিসারশিং য়াওনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা চিফ ইঞ্জিনিয়ার ঐচ ব্রোজেননা হায়খিবদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৪দা লৌফম অয়াম্বা ইকং থোক্তুনা লৌ পাল্লরোইদ্রা হায়না মীপাইবা ফাওরিবা অসিদা সরকারনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মাইনরি ইরিগেসন দিপার্টমেন্টনসু হান্না লৈরিবা আর এল আই স্কিমশিং নুমিৎ ২/৩ নিগী মমাংদগী মথৌ তৌবা হৌহল্লে। পুন্না দিষ্ট্রিক্ট ৪ অসিদা আর এল আই স্কিম ৩০ মথৌ তৌহন্দুনা ঈশিং পীরিবা অসিগী মথক্তা নুমিৎ৩/৪নি অসিগী মনুংদা মখা তানা আর এল আই স্কিম ২০ অমসু মথৌ তৌহল্লগনি। ঈশিংগী দরকার লৈবা মফম খুদিংমক্তা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনরি হায়খি।

মণিপুরগী ইশু কয়াগী মতাংদা ...

লমখৈ লানশিন্দুনা কিলোমিটর ৩লোম হেন্না লম খোপচিল্লকখিবা অসিদসু মীৎয়েং চংদুনা অথুবদা চয়েৎনবা অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবীয়ু। ভারত সরকার অমসুং এন এস সি এন (আইএম) অনিগী মরক্তা চত্থরিবা পিছ প্রোসেস অসি নোর্থ ইষ্টকী মরুওইনা মণিপুরগী ষ্টেক হোল্ডরশিংনা য়াম্না হকচিন্না লৌই হায়রদুনা লমশিং অসিদা মীৎয়েং চংদুনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা জাতি কাংলুপশিংগী শক্তমশিং ঙাক্লবা, ইথনিক গ্রুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা লৈমিন্ননবা অমসুং টেরিটোরিয়েল ইনিটগ্রিটি কায়হন্দনা থম্নবা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়বা ৱারোলশিং য়াওরি।

মহারাজ নরসিংহ অমসুং...

সাহিত্যগা মরী লৈনবা অইবা অইবী কয়া লাক্তুনা ডাঃ কমলগী মতাংদা থৌরম পাঙথোক্লিবসি চাওথোকচনিংঙাইনি। নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিতিনা ডাঃ কমলগী পোক্নফমদা ডাঃ কমলগী কমপ্লেক্স শেমগৎনবা হায়রকপদা মহাক্না শেমগৎনিংলিবসি মরুওইনা কবি রত্না ডাঃ কমলগী মগুনসি হিংগৎহনবা পাম্মী। মরম অদুনা মমাংগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা লুপা লাক্ষ ১০ অদুগা মহাক্কী মাইকৈদগী লুপা লাক্ষ ১৫ পীদুনা শেমগৎলিবা মফম অসি অথুবদা লোয়শিন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডাঃ কমলগী মুর্ত্তিদা মীয়াম্না লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা অমসুং শৈরেং থিবনা মপুং ওইখি।

সরকারগী দিপার্টমেন্ট ২২ অমদি...

স্পোন্সর তৌবা প্রোজেক্টশিংগী য়ু:সি: দা য়ুম্ফম ওইবা রিভিয়ু মীটিংদা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মীহুৎশিং অমদি এন:ই:সি: গী ওফিসিএলশিংগী মরক্তা ইনপ্রিন্সীপল ওইনা য়ানখিবা মতুং ইন্না প্রোজেক্ট মপু ওইরিবা এন:ই:সি: না দরকার ওইবা রিপোর্টশিং অদু ষ্টেটতগী কৌরকখিবনি।

ষ্টেটকী মাইকৈদগী এন:ই:সি: দা থাগৎকদৌরিবা রিপোর্ট অদুদা জিও-কোদকা কোন্নবা প্রোজেক্ট প্রোজেক্টকী নমথোকলবা ফোটোগ্রাফশিং এন:ই:সি: গী ফিল্ড ভিজিৎ ইন্সপেক্সন টিমশিংনা মতম মতমগী ওইনা প্রোজেক্ট সাইততা চৎলগা য়েংশিনবদা ফংবা ইন্সপেক্সন রিপোর্টকী মতাংদা ক্লারিফিকেসন তৌবা য়াবা মচাক লৈরগনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি ৱার্ক এজেন্সীশিংগী ওইবা ক্লারিফিকেসন নচিংবা মচাকশিং য়াওহল্লক্কবা ষ্টেটতা মখা তানা খঙহল্লকখিসু হায়রি।

এন:ই:সি:গী পডিতাক মতুং ইন্না প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা অথুবা ওইনা টাইম বাওন্দ ওইবা মওংদা কৌরিবা রিপোর্টশিং অদু মতম চানা দিপার্টমেন্ট অসিগী প্লান্নিং সেক্সন্দা থাগৎলক্কবা মরী লৈনবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরীশিং অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট / ওফিসশিংদা থা অসিগী ৩ দা লেটর অমমম থাদুনা খঙহনখ্রে। রিপোর্ট কৌরিবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরীশিং অদুদি ফেরেষ্ট, ৱার্ক্স, এগ্রিকলচর অমদি ফিশরীজগী এদিস্নেল চিফ সেক্রেটরীশিং, হোর্টিকলচর, হেলথ অমসুং ট্রেদ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী থৌরম পুবা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরীশিং, অতৈ লেমহৌরিবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিপার্টমেন্টশিংগী কম্মিস্নার নত্রগা সেক্রেটরীশিং, দিপার্টমেন্ট ৱাইজ হেদশিং, ৱার্ক এজেন্সী ওইরিবা বোর্দীশিংগী মেনেজিং দাইরেক্টর / চিয়ারমেন অসিনি।

শিল্লোংগী এন:ই:সি: মীফম মাংওইন্নবা প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী খুথাংদা প্রোজেক্ট পায়খৎপগা মরী লৈনবা অপ্পুদেট ওইবা রিপোর্টশিংনা কৌনা কৌনা ওফিস / এজেন্সী অয়াম্বা মতম চানা রিপোর্ট থাগৎপা ঙমখিদবগা লোয়ননা দিফোল্টর ওইরবা ৱার্ক এজেন্সী পুন্নমক্কী মথক্তা হৌনবী মতুং ইন্না এক্সন লৌনবগীদমক ৱার্নিং ওইবা মওংদা রিপোর্ট লৌরকখিবনি হায়না ওফিসিএল সোর্ছনা ফোঙদোক্লি। লৌগদৌরিবা এক্সন অসি মপুং ওইনা হান্না ইন্সটোলমেন্ট ওইনা ফন্দ থাদখ্রবসু দরকার ওইবা ইনফোর্মেসন থাগৎপা ঙমদবগী দন্দী ওইনা মখা তাবা ফন্দ থাদবা লেপ্পা নত্রগা প্রোজেকটকী থবক লোইশিনবা ঙমদ্রবা ৱার্ক এজেন্সী শিন্দোকপা নত্রগা প্রোগ্রেস লৈতবা প্রোজেক্টশিং থিংজিনবা নত্রগা এন:ই:সি:গী কাওন্সীলনা লেপ্পা ৱারেপকী মতুং ইন্না মথক্কী এক্সনশিং অসি নত্তবা অতৈ এক্সন লৌখৎনবা পোরম অদুনি হায়না পাউগী সোর্ছ অসিনা মখা তারি।

চহী ১৫ হেল্লবা গারি থৌবা...

এম্বিএন্ট এয়ার ক্কালিটি মোনিটরিং টেষ্ট ওইনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১ দগী ২৬ ফাওবসু জিরিবাম য়াওনা ইম্ফাল সিটিগী অকোয়বদা লৈবা মফম ১১ দা টেষ্ট চত্থখি।

নুংশিৎতা য়াম্না চাওনা অমোৎপা লৈরম্বা থেংনখি। মফম অসিদা হ্বাইট পেপর শিজিন্নদুনা টেষ্ট তৌবদা অঙৌবা মচুগী চে অদু মপুং ফানা কার্বোন ব্লেক(অমুবা) মচুদা লৈরমখি। কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা পেরামিটর মোনিটরদা পার্টিকুলর মেটর অসি ১৯৬.০৩ দা লৈরমখি। নাক ষ্টেন্দর্দদা পার্টিকুলর মেটর অসি ১০০ লৈগদবদা মফম অয়াম্বদা য়াম্না ৱাংনা লৈরমখি। নাইট্রোজেন দাইওক্সাইদ য়াওবগী চাং অসিসু ষ্টেন্দর্দদা ৮০ লৈগদবদা ৱাহেংবম লৈকাই, রাজ ভাবন, নাগামাপালনচিংবগী মফম খরদা য়াম্না ৱাংনা লৈরম্বা থেংনখি।

চিয়ারমেন এল রাধাকিশ্বরনা মখা তানা হায়, অসিগুম্বা ঈশিং নুংশিৎ অমসুং খোঞ্জেলদা অকায়বা ওইরকপা অসিনা মীওইবগী হকচাংদা শোক্লক্কবগী মচাক ওইহল্লি। লায়না মখল কয়া অমা লাক্লবগী মরম ওইহল্লি।

হৌজিক নুংশিৎতা য়াওবা ফত্তবগী চাং হেনগৎলকপা অমসুং খোঞ্জেল নিল খোংবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিদগী কন্নবা হোৎনমিন্নসি।

ইম্ফাল সিটি মনুংদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী গারি কয়াদগী থোরকপা মৈখুগী চাং গারি অদুগী ইঞ্জিনদা চেক তৌবগী থবক ভেহিকুলর ইমিসন মোনিটরিং টেষ্টসু চত্থখি।

মণিপুরদা লৈরিবা গারিশিংগী লাইফ স্পান মতম হেল্লবা গারি কয়া চেনলি। কম্পেনিনা শাদুনা মোটোর ভেহিকল ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টদা রেজিষ্টার তৌরবা মতুংদা চহী ১৫ গী গারিগী লাইফ স্পান মতম পীরি। ভারতকী চাওখৎলবা ষ্টেট কয়াদা হায়রিবা গারিগী লাইফ স্পান মতম চহী ১৫ অসি চৎনবগা লোয়ননা মদুদগী হেন্দোকপা গারিশিং চেনহন্দবগী থবক হৌখ্রবনি। অদুবু মণিপুরদা মতম হেল্লবা গারি কয়া থৌনরি।

মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী মায়কৈদগী মণিপুরদা লৈরিবা গারি অচৌবা অমসুং মচাশিং পুন্নমক গারি অদুগী লাইফ স্পান চহী ১৫ দগী হেল্লগদি চেনবা থিংলগনি। করিগুম্বা চেল্লম্বা থোক্লগদি মদুগী চপ চাবা চৈরাক পীরগনি। মীয়াম্না গারি লৈবা মতমদা গারি অমনবা মতম হেল্লবশিং লৈবিগনু। গারি অহনবা লৈবিয়ু।

লোন্না গারি অমনবা মতম হেল্লবা কয়া লৈদুনা লোন্না চেনগনি হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোকপীয়ু। তুংগী মীরোলগী খল্লগা ইনভাইরোনমেন্ট কন্দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নসি হায়না চিয়ারমেন এল রাধাকিশ্বরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১ দগী ২৬ ফাওবা চত্থখিবা ভেহিকুলর ইমিসন মোনিটরিং টেষ্ট অদুগী মনুং চন্না কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা গারি ৭১ টেষ্ট তৌবদা গারি ২১ দি পার্মিসিবল লিমিটকী ৱাংমদা লৈরমখি। মতৌ অসুন্না পোলোগ্রাউন্দগী ৱেষ্টর্ন সাইদতা গারি ১১১ টেষ্ট তৌবদা গারি ৭৩ পার্মিসিবল লিমিটতগী হেন্দোক্তুনা লৈরমখি। ৱাহেং লৈকাইদা গারি ১৪৪ টেষ্ট তৌবদা গারি ৯২ দি পার্মিসিবল লিমিটতগী হেন্দোকপা থেংনখি। অসুন্না টেষ্ট তৌখিবা মফম ১১ মক্তা এয়ার পোল্লুসনগী পার্মিসিবল লিমিটতগী হেন্দোক্না গারি কয়া লৈবা থেংনখি।

মণিপুর সরকারগী মোটোর ভেহিকল (ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট) না পোল্লুসন ফ্রী ওইরে হায়দুনা পার্মিট পীরম্বা গারি কয়াসু টেষ্ট তৌবা অদুদা এয়ার পোল্লুসনগী পার্মিসিবল লিমিটতগী য়াম্না হেন্দোক্না লৈরম্বা থেংনখি।

মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চিয়ারমেন এল রাধাকিশ্বরনা মখা তানা হায়, হৌজিক ধর্ম্মগী চৎনবী মতুংইন্না মৈতে লাইনিং চৎপশিংগী ইমা পান্থোইবী ইরাৎ থৌনি অমসুং হিন্দু লাইনিং চৎপশিংগী ওইনা দুর্গা পুজাগী থৌরম পাঙথোকপা হৌরক্লে। হায়রিবা ইরাৎ থৌনি থৌরমশিং অসিদা মীয়াম্না পোল্লুসন থোকহনবা য়াবা মচাক কয়াদগী লাপথোকমিন্নসি। বম্বুলা অহৌবা থাবা, ইরাৎ থৌনি পাঙথোকফমদা লাউদ স্পিকর শিজিন্নবা তোকপীয়ু। দিসিদগী লাউদ স্পিকর শিজিন্নবগী পার্মিসন লৌবা মতমদা লিমিটর হায়বা খুৎলাই অমা হাপকদবনি। মদু হাপতনা খোঙলম্লগদি অচৌবা পেনালটি অমা ফংগনি। চৈরাক ফংগনি। অহৌবা লাউদ স্পিকর শিজিন্নবা থিংনবগীদক দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী দিসিশিংদা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী এসপিশিংদা মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী মায়কৈদগী ওর্দর কোপি পীখ্রে হায়খি।



Government Of Manipur
Directorate of Minorities Affairs
1st Floor, South Block, Secured Office Complex,
AT Line ,Imphal

Notification
Imphal ,the 8th October, 2018

No.A/1/2018- MOBC (NSP):/1463 In continuation of our notification of even No. dated 24/07/2018 regarding online applications it is hereby informed to all interested students belonging to Minority Communities for the following scholarships that the closing date of online applications has been extended for the following scholarships as per the timelines indicated in the table :

Sl.No.	Scholarship	Submissin of online Application form (Fresh/Renewal)	
		Previous closing date	Extended closing date
1	Minority Pre-Matric Scholarship	30th September 2018	15th October 2018
2	Minority Post-Matric Scholarship	30th September 2018	31st October 2018
3	Minority MCM based Scholarship	30th September 2018	31st October 2018

For detail information and submission of online application form, please log on to www.scholarships.gov.in. Details are also available on the website of Ministry of Minority Affairs, Government of India i.e., www.minorityaffairs.gov.in; that of the Department i.e., www.mobcmanipur.gov.in and State Government i.e., www.manipur.gov.in .

Sd/-
(Ng. Uttam Singh)
Director(Minority Affairs)
Government of Manipur.

NT/B/10,11

প্রিপাক্না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ঙরাংগী মখাঃ

আইন্না থিংখ্রবা প্রিপাক্কী এক্টিং চেয়ারমেন কেঐচ শাথিগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, ১৯৬৫কী জানুৱারি ১ দা ইজরেলগী মায়োক্তা পি এল ওগী মায় পাকপা মিলিটরি ওপরেসন চত্থদুনা পেলেষ্টাইন মীয়ামগী নীংতম লাঞ্জংগা মরী লৈনবা হিরম খুদিংমক্কী লংলা লংজিন ওইদুনা পুম্নমকপু অচুম্বা লম্বীদা হায়বদি মায় পাকপা য়াবা লালহৌ অমগী পনখৈ অমদা পুশিল্লকখি হায়রি।

অসুম্না কংলৈপাক মীয়ামগী য়াওল ঈহৌগী অপাকপা মীৎয়েং অমসুং য়াওল্লুপশিংগী অমত্তা ওইবা পন্থুং অদুতবু উমিন্নবগা লোয়ননা ইরৈবাক অসিগী অথৌবা মরৈবাক নীংবা অমসুং হিরম খুদিংমক্তা মাংজিল থারিবা খুদিংমক্না ঐখোয়গী মাংখ্রবা নীংতম্বা অদুগী ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং অদু মপুং ওইনা খঙমিন উমিন্নদুনা করম্না অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবা য়াগদগে হায়বসি খঙ্গরগা পুন্না ফম্মীন্নদুনা খন্ন-নৈনমিন্নবগী তানজা অদু চীংমী-তম্মী ঐখোয় পম্নমক্কী মাংদা তাদুনা লৈরবনি।

গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা এন এস সি এন (আইএম)গী সোলুসন অমা পুরকখ্রবদি এন ই ইন্দিয়া অসি ইন্সরজেন্সি খুদিংমক নমথবা ঙম্লগনি হায়না মখোয়না মঙ মংলি। অদুগা এন এস সি এন (আইএম)না অমুক নাগাগী অপুনবা য়ুনিটি অমা শোয়দনা শাগৎলগনি হায়বসিনি। অনিমক্কী কা হেন্না পাশিনবা ওইরোইদবা ঙগ্লোইদবা ৱাখল্লোন ঙাক্তনি হায়বসি খঙজিনবা চুমগনি। এন এস সি এন (আইএম)গী মেজর কন্ত্রাদিক্সন লৈরবা মতম অদুদা ইন্টর ট্রাইবেল কন্ত্রাদিক্সন অমুক লাক্লরোই হায়বা মরম থিবদা খরা ৱাই। নাগাশিংবু মীখা পোন্না থল্লগা ইন্দিয়ানা নাগাশিংগী চাওখৎনবা শিল্লক্কনি খল্লকপা ৱাখল্লোন অদু অশোয়বনি। পায়খৎলক্কদৌরিবা থবক থৌরম খুদিংমক য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্কবা মচিন মনাও ওইবগী মরী অদু থুগায়নবনি। চাওখৎনা নুংঙাই য়াইফনা ইং তপ্পা হিংবা হায়বসি নীংতম্না ঐখোয় ইরোমদোম লেপচরবা মতম অদুদা ওইগদৌরিবনি। নাগা কুকি, মৈতে অমসুং মৈতে পাঙল ঐখোয় অমত্তা পুন্না লৈমিন্নদুনা কংলৈপাকপু ঙাকমিন্নবা হায়বসি জিওগ্রাফিকেল কন্দিসন, ঙাংন-লোল, খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মহৈরোলদগী লৈমিন্নরক্কবা মচিন মনাও ওইবগী ৱারী শিংবুলশিং চৎনা লোনচৎ অমসুং ফিজেৎ চাকচা অমদি থাদোক্লবা য়ারোইদবা মান্নবা মচৎশিংনা তাকচরবনি। কংলৈপাক্কী লিক্লমচৎতা কংলৈপাকশিংনা পুৱারীগী অফ ফত্তগী থৌদাং পুন্না লৌমিন্নরকপা ফজবা ৱাখলগী অপুনবা লিক্লমচৎতুদা য়ুম্ফম ওইরগা হৌজিকসু লৌমিন্নবা চুমগনি। ষ্টেট লৈঙাক্না ৱাখল মুন্না খঙ্গদবা মতম অসিদা সেন্টরগী য়াকা য়েংবদা ইরমদম য়োঙ্গোক্লবসু নুংনাংদবগী তাঙ্কক্তা লৈখ্রে। ঐ ঐগী ফম তাদ্রগা লোইরে হায়বা ৱাখল্লোন্না মাংদা থমখিবনা ঙসিদি খুন্নাই অসিগী কাংখোং চাইরবা খুন্নাই অমা হায়বদু ওইরে। মসি লোই লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা হংলাই লৈঙাক অমগী চপ চাবা মচৎ অদু উৎথোরকপনি হায়রি।

প্রিপাক্কী ওইনদি য়াওল্লুপশিং হেক শাফোংলকপদগী হৌনা অপুনবা নীংতম লান হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা ফিদম অসিদা অচেৎপা থাজবা থমদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা য়াওল্লুপ অসিনা অঙনবা মতমদগী হৌনা লমদম অসিগী অতৈ য়াওল্লুপশিংগা খুৎশম্নদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা লাকপদা নত্তনা ইন্দিয়াগী লোইলম চৈনা খাংমিন্নরিবা য়ুল্লোন্ননা লৈমিন্নরিবা ৱেসিয়া লমদমগী ইচিল ইনাওশিংবু অচেৎপা মরী থমদুনা নীংতম ঈহৌগী অপুনবা লাঞ্জং অমা চত্থনবা ঙসি ফাওবা হনবা লৈতনা হোৎনদুনা লাক্লি। নীংতম্বা কংলৈপাক হায়বা পান্দম অসি থবক্তা ওহোক্লবগীদমক অপুনবা নীংতম লাম্হেংগী ফিদম অসি থম্মোয়দা চেৎনা থাগোন্নদুনা ৱাখল, পান্দম মান্নবা, ইরৈবাক্কী য়াওল্লুপশিংগী অপুনবা ফম্পাক অমা ওইনা অহানবদা কে সি পি, প্রিপাক অমসুং আর পি এফ পুল্লগা আর জে সি শেমখি। মথংদা প্রিপাক, আর পি এফ অমসুং য়ু এন এল এফ পুল্লগা এম পি এল এফ শেমখি। ইকোন কোন্না কে সি পি, কেৱাইকেএল, প্রিপাক, প্রিপাক (প্রো), য়ু এন এল এফ অমসুং য়ু পি পি কে পুল্লগা কোরকোম শেমখি। হৌজিক লুপ অসিনা অপুনবনা পাঙ্গলনি, ঐখোয় মশেল পুনশিন্নদুনা অপুনবা নীংতম লান অমা চত্থবনা ইরৈপাক্কী নীংতম্বা পুরক্কনি হায়বসিদা অচেৎপা থাজবা থল্লি হায়রি।

অরোইবদা হায়রিবনা লিশাং শিৎনা চত্থরক্লিবা লৈবাক্কী লাইবক লেপকদবা নীংতম য়াওল লাম্হেং অসিগীদমক থৱায়না পোম্বা পীখ্রবা লাইওইখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংদা য়াওলগী মপুং ফাবা ইকায়খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা য়েক্লবগী লানফম ওইদুনা কৈশুমশঙগী অৱা চৈনা খাংলিবা নুংশিরবা মরুপশিং, ইতাওশিং অমসুং পাথৌশিংবু ঙসি প্রিপাক্কী ৪১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম লাকপসিদা য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। লোয়ননা ইরমদমগী নুংশিরবা চীংবুরোই তম্বুরোই খুদিংমক ইংনা চিক্না পানবা নুংঙাই য়াইফবা অৱা অনা লৈতবা খুন্নাই অমা ওইরসনু হায়রক্লি।

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

লৈখিদ্রবা লাইশ্রম লিলা সিংহনা পোকপা মচানুপা অহন লাইশ্রম থম্বালঙৌ মৈতেগী মচানুপা লাইশ্রম জয় মৈতে অমদি লাইশ্রম চন্দ্রকুমার মৈতেনি। অদুগা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম লিলা সিংহনা পোকপীরম্বা মচানুপা অতোনবা লাইশ্রম অঙো মৈতেনা পোকপা মচানুপা লাইশ্রম ওকেন মৈতে, লাইশ্রম অরুন মৈতে অমদি লাইশ্রম তোম্বীসনা মৈতে হায়রিবা মশুংশিং অসিদা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম লিলা সিংহনা থম্বীরম্বা ইঙ্খোল ০.৫৮০০০ পাক চাওবসি নামা পাঞ্জরগনি।

কনাগুম্বশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 12th October, 2018 ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা লৌজরোই।

খঙহঞ্জরিবা :- সেকমাইজিন বজার
ৱার্দ নম্বর : ৬ মেম্বর

NT/75601/11(Oct)

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
HEIROK,THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

Mutation Case No. 370/SDC/HRK. Dt.3/10/2018

1) Khundongbam Nungshi Devi, W/o. (L) Angousana Singh of Heirok Pt. (III), 2) -do- Tompok Meitei, S/o. (L) Angousana Singh of -do-.

. . .Petitioners

-Vrs-

Khundongbam Angousana Singh, S/o. (L) Gangadash Singh of Heirok Pt. (II)

. . . O.P.Party

NOTICE

Heirok, 9th Oct. 2018

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি হৈরোক তহশিল খুল নং: ১২৯ হৈরোক অরিবা পাট্টা নং: (II) অরিবা পাট্টা নং: ৬৭ অনৌবা নং: ১৫৯৮/১৬০৪ দাগকী নং: ৩০৭০/৩০৭৮ এরিবা .০৩২৫ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার খুন্দোংবম অঙৌসনা সিংহ পীং মৃ: গঙ্গাদাস সিংহ সাং হৈরোক পার্ট-(II) অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা উক্তা পাট্টাগী লম অসি মৃ: পাট্টাদার অসিগী নুপী অমদি মচানিপা দংকারি অনি অসিগী মমিংদা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা উক্তা পাট্টাগী ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবশিংনা য়ানিংদবা লৈরবদি পাউ চে অসিদা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা উক্তা কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না য়ানরে হায়না কেশ মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Heirok

NT/75662/11(Oct)

COCI
COMBINED COACHING INSTITUTE
URIPOK KHOISNAM LEIKAI, OPPOSITE OIL PUMP (IMPHAL)
A mission for a better society
ADMISSION OPEN
SPECIAL FOUNDATION COURSE
FOR
CLASS - X, XI & XII
CLASS COMMENCING ON 20th Sept. 2018
Special Features:
- Supply well designed study materials
- Analysis of probable Q & A for Final Exam, 2019
- Taught by Expert Faculties
- 50% Fee consession for Physically challenged persons
- Regular unit wise Sunday Test Series & Mock Test
- Vision for Toppers
- Fee concession for former COCIANS

Facilities:
Separate Hostel for Boys & Girls and Van Service
CLASS SCHEDULE
Morning : 04:30 to 07:30 a.m.
Evening : 04:30 to 07:30 p.m.
Please Contact & Collect Admission Form
From Office COCI
Attention
Seats are Limited, Hurry



COMBINED TUTORIALS FOR CBSE
Estd. 2007
The Largest CBSE Tutorial Centre in Manipur
Congratulation ! The Jubilant team of Combined Tutorials For another Brilliant Success !!
ADMISSION OPEN For Revision
Class XII CBSE 3 Months Revision Course
Class IX & X CBSE 3 Months Revision Course
Class Starting From 08th Oct. 2018
Class XII 2018
Class X 2018
Van Service/ Hostel Available For Boys & Girls | Sagolband Moirang Leirak Machin, Bus Parking.

ADVANCED COACHING INSTITUTE
The Largest,Trusted & Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc. &Arts
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729
SPECIAL MEDICAL AND ENGINEERING COURSE (25 students per batches)
TOPERS OF COHSEM Sc. 2018
COHSEM ARTS 2018
TOPERS OF BOSEM 2018
A few remaining seats (First come first serve)
Contact no : 9862992105
Admission OPEN -Advanced Revision(2018-19) & foundation course for x and xii for session(2019-2020)
Last foundation cum Revision course for class x and xii from 1st and 4th Oct 2018 respectively
Revision course for class x amd xii from 8th and 11th Oct. respectively
Revision course for xii Arts from 15th Oct.2018
Advanced Foundation Course for vii to Xii(2019 batches) from first week Dec'18
Separate boys and girls hostels(same block), van service,morning and evening batches ,only 40 seats per section, special concession for Govt. school.
Separate CBSE, BOSEM & COHSEM